# ‘য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা য়ুরো বিলিয়ন ১৩.৮ ওইগদবা রসিয়ন এন্টিটিশিং অমসুং ইন্দিভিজুএলশিংগী এসেটশিং ফ্রিজদ তৌরে’



ব্রাসেলস, জুলাই ১৩ (এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) না হৌজিক ফাওবদা মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দাবগা মরী লৈননা অথিংবশিং থমখ্রবা রসিয়ন ওলিগার্কশিং, অতৈ ইন্দিভিজুএলশিং অমসুং অমসুং এন্টিটিশিংনা পায়রম্বা এসেটশিংগী য়ুরো বিলিয়ন ১৩.৮ (দোল্লর বিলিয়ন ১৩.৮৩) ফ্রিজদ তৌরে হায়না ব্লোক অসিগী টোপ জষ্টিস ওফিসলনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল অদুনা হায়, রসিয়ন ইন্দিভিজুএলশিং অমসুং ইন্টিটিশিংগী এসেট অয়াম্বা ফ্রিজদ তৌরিবসি মরু ওইনা মেম্বর ২৭ লৈবা ইয়ুগী লৈবাক মঙানবনি। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা অতৈ মেম্বরশিংদসু রসিয়নশিংগী এসেটশিং ফ্রিজদ তৌননবা আপিল তৌখ্রে। ব্লোক অসিনা হৌজিক রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবগা মরী লৈননা এন্টিটি ৯৮ অমসুং ইন্দিভিজুএল ১১৬০ রোম ব্লেক লিষ্ট তৌরে।

ইয়ুগী জষ্টিস কম্মিসনার দিদিয়র রেন্দর্সনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবদা য়ুরো বিলিয়ন ১৩.৮ ওইগদবা রসিয়ন ওলিগার্ক অমসুং অতৈ এন্টিটিশিংদগী লাকপা ফন্দশিং ঐখোয়না ফ্রিজদ তৌরে। মসি য়াম্লবা শেনফম্নি। তৌইগুম্বসুং ফ্রিজদ তৌরবা শেনফমশিং অসিগী অয়াম্বা হায়বদি য়ুরো বিলিয়ন ১২ গী ব্লোক অসিগী মেম্বর ষ্টেট মঙাখক্তগী লাকপনি। অদুনা ঐখোয়না মান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা মখা তানা অতৈ মেম্বরশিংদসু ৱাখল তাহনবা মথৌ তারি হায়না মহাক্না চেক কেপিটেল প্রাক্তা পাঙথোকপা নেসনেল জষ্টিস মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমদা শরুক য়াবা লাকপদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অসিনা মেম্বর লৈবাক মঙা অদু আইদেন্টিফাই তৌখিদে অমসুং রিন্দর্সনা টোপ ওফিসল অমা ওইনা লৈরিবা ইয়ুগী একজিক্যুটিব য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না লৈবাকশিং অদুগী মমিং পল্লু য়াখিদে। মশিং অসি বেঙ্ক একাউন্টশিংদা লৈরিবা কেস, ফারবা য়াদর্স অমসুং রিয়েল ইষ্টেট য়াওনা অতৈ এসেটশিংগী ওইবা অপুনবনি। মসি মেম্বর ষ্টেটশিংনা কম্মিসনদা রিপোর্ট তৌরকখিবনি হায়বা ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না মশিং অদুদা ফ্রিজদ তৌখ্রবা রসিয়ন সেন্ট্রেল বেঙ্ককী এসেটশিংদি য়াওদে। কম্মিসনগী মতুং ইন্না রসিয়ন সেন্ট্রেল বেঙ্ককী এসেটশিং য়ুরো বিলিয়ন ২৪ য়ৌগনি হায়না হৌখিবা মেদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মেম্বর লৈবাকশিংনা অসিগুম্বা এসেটশিং তঙাই ফদনা রিপোর্ট তৌদবা য়াদে হায়বা লৈতবা মরম্না একজিক্যুটিবনা হৌখিবা মেদগী হৌজিক ফাওবদা মশিং অপদেট তৌখিদবনি।

ট্রান্সপরেন্সি ইন্টরনেসনেলনা হায়রি, মদুদি হিরম অসিগী মতাংদা সেক্রেসি মেন্টেইন তৌবা অমদি ইয়ুগী লৈবাকশিংনা থৱায় য়াওবা অমদি থবক্কী কেপাসিটি উৎপা মথৌ তাই।

মসি নত্তনদি মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দাবগা মরী লৈননা রসিয়াগী মায়োক্তা থমখিবা অথিংবশিং ইফেক্তিব ওইনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙম্লোই। ইলিসিট ফাইনান্সিএল ফ্লোশিং ট্রেক্কিং তৌবগা মরী লৈনবা ট্রান্সপরেন্সি ইন্টরনেসনেলগী এক্সপার্ট রোলানপাক্না ফোঙ-দোকখিবদা ট্রান্সপরেন্সি ৱাৎপগী থৌওং অসি অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইরে। লন থুম অয়াম্বা স্ক্রুটিনি তৌবদা খুদোংচাদ্রবা ট্রষ্টশিং অমসুং শেল ফার্মশিংদা লোৎলম্বনি। য়াটসকুম্বা মীৎনা উবা ঙম্বা লকজ রিগী পোৎশকশিং নত্তবা অসিগুম্বা ট্রষ্টশিং অমসুং শেল ফার্মশিংদা লোৎলম্বা লন থুমশিং খঙনবা হোৎনবা হায়বসি অৱাবা থবক অমনি। হৌজিক কম্মিসনদগী অহেনবা ইনফোর্মেসন লৌবা মথৌ তাই। মখোয়না চপ চাবা মমিং তাকথোকপা হায়বসি হৌজিক য়াম্না মরু ওইরে।

রিন্দর্সনা হায়খি, মদুদি ইয়ুগী মফম খুদিংমক্তা ক্রিমিনেল ওফেন্স অমগা মরী লৈনবা সেঙ্কসনশিং বাই পাস তৌনবা হোৎনবশিং লাকশিন্নবগীদমক অনৌবা লেগেল টুল অমগী মতাংদা অরোইবা ওইনা পোলিটিকেল এগ্রিমেন্ট অমা লাক্লগনি হায়না মহাক্না থাজে।

# কোভিদ কেসশিং হেনগৎলকপদগী দব্লিয়ুঐচওনা পেন্দামিক লোইখিরোই হায়না ৱার্নিং তৌরি



জিনিভা, জুলাই ১৩ (এজেন্সী):
হৌখিবা চয়োল অনীগী মতমদা মালেম পুম্বগী ওইনা মালেম পুম্বগী ওইনা কোভিদ ১৯ গী অনৌবা কেস মশিং চাদা ৩৫ হেনগৎলকখিবা অসিনা হৌজিক উরিবা পেন্দেমিক অসি লোইখিবা য়াবগী মমি উদে হায়না ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ফোঙদোকখ্রে।

জিনিভাদা দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্তর জেনরেল টেদ্রোস অদানোম গেব্রিয়েসসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মদুদি কোভিদ ১৯ গী অনৌবা কেসশিং মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই।

মসিনা হেল্থ সিষ্টেমশিং অমসুং হেল্থ ৱার্করশিংদা মখা তানা প্রেসর পীরি। হেন্না নুংনাংনিংঙাই ওইরিবদি লায়না অসিনা নাবা মীওইশিং শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লিবা অসিনি।

দব্লিয়ু ঐচ ও হেল্থ ইম্মজেন্সিস প্রোগ্রামগী একজিক্যুটিব দিরেক্তর মাইকেল রিয়ানগী মতুং ইন্না হন্দক্তা রিপোর্ট তৌখিবা কোভিদ ১৯ গী অনৌবা কেস মশিং হেনগৎলকখিবসি মরু ওইনা ওমিক্রোনগী সব ভেরিয়েন্টশিং বিএ.৪ অমসুং বিএ.৫ না অমদি পব্লিক হেল্থ অমসুং সোসল মেটরশিং লৌথোকখিবনা থোকহনবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক টেষ্টিং পোলিসিশিংদা অহোংবা খরা লাকখিবদগীসু অনৌবা কেসশিং দিটেক তৌবা অমদি ভাইরস ইভোল্যুসন মোনিটর তৌবদা অপনবা খরা থোকহনখি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী ইম্মজেন্সি কম্মিটিনা হৌখিবা ইরাইদা কোরোনা ভাইরস অসি হৌজিকসু মখা তানা পব্লিক হেল্থ ইম্মজেন্সি ওফ ইন্টরনেসনেল কন্সর্ন (পিঐচইআইসি) অমা ওইদুনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অমগা অমগা মরী লৈনবা চেলেঞ্জ কয়া লাক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখিবনি।

কম্মিটিগী মতুং ইন্না ওমিক্রোনগী সব ভেরিয়েন্টশিং বিএ.৪ অমসুং বিএ.৫ না মালেমগী মফম কয়াদা মখা তানা অনৌবা ইনফেক্সনশিং, হোস্পিটলাইজেসনশিং অমসুং লায়না অসিগা মরী লৈনবা মীশিশিং থোকহল্লবসু টেষ্টিং অমসুং সিক্বেন্সশিং য়াওনা সর্ভিলেন্সকী থবক অসি হান্নদগী য়াম্না চাওনা হন্থরে হায়বা য়াই।

মসিনা লায়না শন্দোকপা অমসুং লাইচৎ লাকশিন্নবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংদা অনৌবা ভেরিয়েন্টশিং অসিনা পীরিবা চৈথেং অদু খঙনবা হোৎনবদা হেন্না হেন্না লুহল্লি।

ভাইরসকী অনৌবা ৱেবশিং অসিনা হৌজিক কোভিদ ১৯গী লাইচৎ অসি লোইখিরোইদৌরি হায়বসি অমুক উৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সা চেনখ্রে, লৈবাক অসিদা ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখ্রে



কলম্বো, জুলাই ১৩ (এজেন্সী):
শ্রী লঙ্কানা নিংতম্বা ফঙলবা মতুংদা মায়োক্লরকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা শেল থুমগী ক্রাইসিসকী মায়োক্তা মীয়াম্না লৈবাক শীন থুংনা থা কয়া চুপ্না প্রোটেষ্ট চত্থরকখিবা মতুং লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মালদিবসতা চেনখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ইথৎ লৈবাক অসিদা ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখ্রে।

মীওই লিশিং কয়ানা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা থোমজিন্দুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহল্লকপা হৌরকখিবগা ইরোয়ননা লৈবাক অদুদা ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখিবনি।

প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সানা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রিজাইন তৌগনি হায়না হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা মীয়ামদা থাজবা পীখিবনি। মদু প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা কলম্বোদা লৈবা মহাক্কী ওফিসল রেসিদেন্সতা থোমজিল্লক্কদবা মতম খরগী মাঙওইননি।

প্রসিদেন্ট ওইনা রাজাপক্সাবু ফাবা য়াদে। মহাক ফম থাদোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মপানদা চেনবা পাল্লম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

ইমিগ্রেসন সোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা মহাক, মহাক্কী লোইনবী অমসুং বোদি গার্দ অনী এন্টোনোফ-৩২ মিলিটরি এয়রক্রাফট অমদা তোংলগা শ্রী লঙ্কাগী মরু ওইবা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী পায়খ্রে।

মদুগী মতুং পুং খরা লৈরগা ওফিসল ওইনা মহাক মফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈত্রিঙৈ মরক্তুদা দেমোন্সট্রেটর লিশিং কয়ানা প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেগী ওফিসতা থোমজিনখি।

প্রসিদেন্টনা রিজাইন তৌখিবা মতমদা ৱিক্রেমেসিঙ্গে লৈবাক অসিগী এক্তিং প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পুগদৌরিবনি। য়াল্লবা মীয়াম্বু মখা তানা ওফিস অদুদা চঙশিল্লকপা থিংননবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপখি। লৈবাক অদুদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদু লাকশিন্নবগীদমক্তা ওফিসলশিংনা লৈবাক শীন থুংনা ইম্মর্জেন্সি লাউথোক্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পোক্সমেন দিনোব কলম বাগেনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

সিনিয়র পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদু লাকশিন্নবগীদমক্তা পুলিসনা কলম্বো য়াওনা নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স শীন থুংনা মতম কক্তনা কার্ফিয়ু থমখ্রে।

ৱিক্রেমেসিঙ্গেনসু করিগুম্বা য়ুনিটি গভর্নমেন্ট অমা শেম্বগী মতাংদা পার্টি পুম্নমক্কী মরক্তা য়ান্নবা পুরক্লবদি মহাক ফম থাদোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। প্রসিদেন্ট রাজাপক্সা লৈবাক অদু থাদোকখ্রে হায়বসি ৱিক্রেমেসিঙ্গেগী ওফিসনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কনফার্ম তৌখি।

# কমলা হেরিসনা ৱা ঙাঙলিবা ফিজিগী প্রোগ্রাম অমদগী চাইনিজ দিফেন্স এটাচি অনী তান্থোকখ্রে



সুভা, জুলাই ১৩ (এজেন্সী):
য়ুএসকী ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিসনা ভার্চুএল ওইনা ৱা ঙাঙলিবা পেসিফিক ইথৎ লৈবাক ফিজিগী ফোরম অমদগী চাইনিজ দিফেন্স ষ্টাফ এটাচি অনী লৈবাক অসিগী পুলিসনা তান্থোকখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

মীওই অনী অদু ফোরম অদুগী ফিসরিজ এজেন্সিগী সেসন অমদা ফমদুনা শরুক য়ারম্বনি। সেসন অদুদা হেরিসনা লমদম অদুদা য়ুএসকী ইনগেজমেন্টশিং হেনগৎলগনি হায়বা ৱাফম লাউথোকখি। মরু ওইনা চাইনানা লমদম অদুদা ইথিল পীবা হেনগৎলক্লিবদু য়েংলগা ভাইস প্রসিদেন্টনা লমদম অদুদা য়ুএসকী ইনগেজমেন্টসু হেনগৎলগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

চাইনিজ দিফেন্স এটাচি অনী অদু মিদিয়া কন্টিঞ্জেন্টকা লোয়ননা সেসন অদুদা ফম্বা উখি। তৌইগুম্বসুং গার্দিয়ান পাউচেগীদমক ফোরম অদুবু কোভর তৌরিবা ফিজিগী জর্নেলিষ্ট অমা ওইরিবা লাইস মোগোনোনা মীওই অনীদুগী মনুংদা অমদি চাইনিজ এম্বেসিগী ওফিসল অমনি হায়না আইদেন্টিফাই তৌখি।

মোগোনোনা হায়খি, মদুদি মীওই অদুবু মহাক্না খঙবগী মরমদি মমাঙদা মহাক্না য়ামদ্রবদা অহুম্লক মীওই অদুগা ইন্টরেক্ট তৌবা লৈখিবদগীনি। মমাঙগী থৌদোক অহুমদুগী মনুংদা অমদি হৌখিবা জুনদা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা সুভাদা খোঙচৎ অমা লাক্লিঙৈ মনুংদনি। খোঙচৎ অদুদা জর্নেলিষ্টশিং থৌরম পরেংশিংদগী থোকহনখি অমদি জর্নেলিষ্ট অমত্তা ৱাহং হংবা য়াহনখিদে।

মহাক ঐখোয়বু মফম কয়াদগী লৌথোকখিবা অমসুং অতৈ মীওইশিংগা ঐখোয়বু লৌথোক্লুবা দিরেক্সন পীখিবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি হায়না মোগোনোনা মখা তাখি।

মতুং তাবদা দিপ্লোমেটিক সোর্সশিংনা মীওইশিং অদু চাইনাগী দিফেন্স এটাচি অমা অমসুং দিপ্যুটি দিফেন্স এটাচি অমনি হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

# নাটোগী টেক্নোলোজিকেল প্রোগ্রামদা য়ুক্রেন য়াওখ্রে



কিভ, জুলাই ১৩ (এজেন্সী):
য়ুক্রেন অসি নাটো মেম্বর ষ্টেটশিংগী আর্মিশিংগী টেক্নোলোজিকেল কোওপরেসন কো ওর্দিনেট তৌরিবা মল্টি লেটরেল ইন্টর ওপরেবিলিটি প্রোগ্রাম (এমআইপি) গী এসোসিএট মেম্বর অমা ওইরি হায়না য়ুক্রেনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর ওলেক্সি রেস্নিকোবনা ফোঙদোকখ্রে।

দিফেন্স মিনিষ্টর প্রেস সার্ভিসনা রেস্নিকোবগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, য়ুক্রেন অসি ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আইটি) গী পোটেন্সিএল চাওনা লৈ। লৈবাক অসি নাটোগী মীচং অমা ওইবদা মতিক চাই।

কলেক্টিব সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎহনবদা ঐখোয়গী এক্সপর্টিস শীজিন্নবা য়াগনি হায়না ঐহাক্না থাজে। মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না এমআইপিগী এসোসিএট মেম্বর অমা ওইবা অসিনা য়ুক্রেনবু কম্বেট কন্ট্রোল সিষ্টেমগী ইন্টরেক্সনগা মরী লৈনবা মরু ওইবা নাটোগী ষ্টেন্দর্দ হেন্না চাওখৎহনবগী থবক্তা য়াওবা য়াবগী রাইট লৈহনগনি।

এমআইপি অসি কম্বেট কন্ট্রোল ইনফোর্মেসন সিষ্টেমগী নেসনেল দিভলপ্পরশিংগী থাক্তা ইষ্টাব্লিস তৌখিবা নাটো মেম্বরশিংগী আর্মদ ফোর্সেসশিংগী মরক্তা টেক্নোলোজি কো ওপরেসন অমা পীনবগী প্রোগাম অমনি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি নেসনেল সি২আইএস সিষ্টেমশিংগী ইন্টর ওপরেবিলিটি এচিব তৌবা অসিনি।

অমরোমদা, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না য়ুক্রেনদা য়ুরো বিলিয়ন অমগী অনৌবা তেঙবাংগী পেকেজ পীননবা লৌখিবা ৱারেপ্পু য়ুক্রেনগী পিএম দেনিস সিমহালনা তরাম্না ওকখ্রে।

# কেন্দিদেট নিপাননা বোরিস জোন্সনগী মহুৎ শিন্নবগী লমজেলদা শরুক য়াগদৌরি



লন্দন, জুলাই ১৩ (এজেন্সী):
কঞ্জার্বেটিব পার্টিগী লিদর ওইনবগী অমদি মফম থাদোক্লগদবা য়ুকেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনগী মহুৎ শিন্নবগী লমজেলদা শরুক য়ানবগীদমক্তা কেন্দিদেট নিপান নোমিনেট তৌরে হায়না পার্টি অসিগী বেকবেন্স ১৯২২ কম্মিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ামদ্রবদা কঞ্জার্বেটিব লো মেক্কর ২০ গী বেকিং লৈরে হায়না উৎপা ঙমখিবা কন্টেন্দর নিপান অদুদি হান্নগী চাঞ্চেল্লর ওফ ড এক্স চেক্কর রিসি সুনাট, ফোরেন সেক্রেটরি লিস ট্রুষ্ট, ইন্টরনেসনেল ট্রেদ মিনিষ্টর পেনি মোর্দুৱান, বেক বেন্স লো মেক্কর টোম টুগেন্দার্দ, এটোর্নি জেনরেল স্বেলা ব্রেবরমেন, নৌনা এপোইন্ট তৌবা চাঞ্চেল্লর নদিন জহাৱি, হান্নগী ইক্বেলিটিস মিনিষ্টর কেমি বাদেনোক অমসুং হান্নগী ফোরেন সেক্রেটরি জেরিমি হন্থনি।

টোরি লো মেক্করশিংগী ওইবা অহানবা রাউন্দগী ভোটিং অদু য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পাঙথোক্কনি অমসুং য়ামদ্রবদা ভোট ৩০ ফঙবা ঙম্বা কন্টেন্দরশিংদমক শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা বেলোটতা চঙবা য়াগনি।

মসি লিদরশিপ কন্টেষ্ট অদুবু চল্লাইরিবা ১৯২২ কম্মিটিনা শেম্বা রুলশিংগী মতুং ইন্ননি। কন্টেন্দরশিংগী মশিং সেক্রেট বেলোট রাউন্দ খরগী মতুংদা অনীখক্তমক ওইহনগদৌরিবনি। অরোইবা কন্টেন্দর অনী অদু কঞ্জার্বেটিব মেম্বর পুম্নমক্কী পোষ্টেল বেলোটতা য়াওদুনা মখোয়গী প্রিফরেন্সশিং খঙহনগদৌরিবনি।

# ইটলিগী পিএমনা অহেনবা ইকনোমিক ইন্সেন্টিবশিং লাউথোক্কদৌরি

রোম, জুলাই ১৩ (এজেন্সী):
ইনর্জিগী মমল হেনগৎলকপা য়াওনা মরম কয়াদগী শেল থুমগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী লাক্লিবা চৈথেং হন্থহন্নবগী পান্দমদা গভর্নমেন্টনা থৌরাং কয়া লাউথোক্লুবা থৌরাং তৌরি হায়না ইটলিগী প্রাইম মিনিষ্টর মারিও দ্রাগিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুগী মরু ওইবা ট্রেদ য়ুনিয়নশিংগী লুচিংবশিংগা মীফম পাঙথোক্লুবা মতুংদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা দ্রাগিনা হায়, মহাক্না মমল হেনগৎলকপদগী লাক্লিবা চৈথেংশিং থেংনবদা মতেং পাঙনবা টেক্স সিষ্টেমদা অহোংবা কয়া লাকহন্নবা অমদি খুৎশুমলশিং হেনগৎহন্নবগী ৱাফমশিং লেবর লিদরশিংদা খন্নখি।

# রিও ডে জনৈরোদা পুলিসকা কাপ্নবদা তরুক শিরে



রিও ডে জনৈরো, জুলাই ১৩ (এজেন্সী):
ব্রাজিলগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি ওইরিবা রিও ডে জনৈরোগী মফম অদুদা পুলিস ওফিসরশিং অমসুং ক্রিমিনেলশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবদা মীওই তরুক শিরে অমসুং অতৈ অনী অশোক অপন নঙলে হায়না পুলিস সোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিও ডে জনৈরো সিভিল পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা রিও ডে জনৈরোগী নোর্থ জোনদা লৈবা মেংগ্বিনপোজ ফাবেলাদা থোকখিবনি।

মফম অদুদা চৎখিবা এজেন্ট কাঙবু অমদা নোংমৈ কাপ্লকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি। পুলিসকী অহেনবা ফোর্সশিং মফম অদুদা থুংখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কন্না কাপ্নরকখি।

কাপ্নবদা অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখি অমসুং অনীনা অশোক অপন নঙখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা এরিয়া অদুদা ট্রেন সার্ভিসসু লেপখি। মেংগ্বিনপোজ ফাবেলা অসি রিও ডে জনৈরো সিভিল পুলিসকী হেদ ক্বার্টর্সকা য়াম্না নকশিন্নে।


## URGENT JOB VACANCY
### Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

**Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Helper (female) | Rs. 8000-10000 | 20 | NIL |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 8000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 7000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Cook/ Chawkidar | Rs. 7000 - 20000 | 10 | VIII/X/XII |
| 6 | Gunman/ Armguard | Rs. 10000-20000 | 10 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 9 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |

**Vacancy at North East India (Male/Female)**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking staff (26yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

**Airport Job Vacancy For All India, 100% Job Placement**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Cabin Crew | Rs. 60K | 15 | XII/Grad |
| 2 | C.S.A. | Rs. 60K | 20 | Graduate |
| 3 | VIP Lounge Staff | Rs. 70K | 15 | XII/Grad |
| 4 | Asst. Staff | Rs. 40K | 20 | XII/Grad |
| 5 | Cargo Loader | Rs. 13-19K | 20 | X/XII/Grad |

Last Date of Submission : 04/08/2022 For More Information Please contact

Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm # 7641836503 / 8794793684

**Salai Unemployment Service Centre**
**Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking**
HL-P/3416/14,16,17,18,20,22,24,27,29,31


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST (CENTRAL) : MANIPUR**
**Ref. Mutation Case No. 1078/SDC/IW(C) of 2022 dt. 11/7/2022**

1) Elangbam Tombisana Devi, W/o (L) Achouba Singh of Uripok Khoisnam Leikai
2) -Do- Imochouba Singh, S/o (L) Ibohanbi Singh of -Do-
3) -Do- Rhandy Singh, S/o (L) -Do- of -Do-
4) -Do- Tulu Singh, S/o (L) -Do- of -Do-
5) -Do- Honey Devi, D/o (L) -Do- of -Do-
6) -Do- Indi Devi, D/o (L) -Do- of -Do- - Petitioners

-Vrs-

Co-Pattadar (I)

1) (Late) Elangbam Achouba Singh, S/o (L) Paka Singh of Uripok Khoisnam Leikai
2) Elangbam Joykumar Singh, S/o Achouba Singh of -Do- - O.P.(s)

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Lamphel, 12-07-2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Elangbam Achouba Singh, S/o (L) Paka Singh of Uripok Khoisnam Leikai গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নং 87-Uripok অরিবা পাট্টা নং 53 অনৌবা পাট্টা নম্বর 62 দাগ নং 2235 অমসুং এরিয়া .02080 হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী লোইনবী অমসুং মচাশিংগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই, কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)
HL-P/3420/14

**IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE JUNIOUR DIVISION, IMPHAL EAST, MANIPUR**

**ORIGINAL SUIT NO. 16 OF 2022**

Heikham (Ningol) Thingujam (Ongbi) Radha Devi & 19 others. .. PLAINTIFFS.

-Versus-

Takhelchangbam (0) Rasheswori Devi & 47 others. ... DEFENDANTS.

SUMMON

To
1. Pangambam (ningol) Laishram (ongbi) Abem alias Sonia Devi, aged about 36 years, W/O L. Rakhesh Singh of Yourabung Khunou, P.O. Lamlai, & P.S. Sawombung, Imphal East District, Manipur, Pin No.795010.
2. Sanasam (ningol) Amushana alias Mandakini Devi, aged about 34 years, W/O Chingakham Gobin Singh of Ngairangbam Makha Leikai, P.O. & P.S. Lamsang, Imphal West District, Manipur, Pin No. 795113.
3. Heikham Thambal Devi, aged about 68 years, D/O (late) H. Mohori Singh of Sagolband Moirang Hanuba Leirak, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur, Pin No. 795001
4. Heikham (ongbi) Shomola Devi, aged about 58 years, W/O (late) H. Tomba Singh of Nambol Oinam Bazar, P.O. & P.S. Nambol, Bishnupur District, Manipur, Pin No. 795134.
5. Heikham Tomba Singh, aged about 57 years, S/O (late) H. Yaima Singh of Lilong Haoreibi, P.O. & P.S. Wangoi, Imphal West District.

WHEREAS the above named Plaintiffs has instituted a Declaratory suit with consequential relief(s) against you, you are hereby summoned to appear in this Court in person or by pleader duly instructed, and able to answer all material questions relating to the suit or who shall be accompanied by some person able to answer all such questions, on the 20th day of July, 2022 at 10.30 a.m., to answer the claim, and further you are hereby directed to file on that day a written statement of your defence and to produce on the said day all documents in your possession or power upon which you base your defence or claim for set-off, or counter-claim, and where you rely on any other document whether in your possession or power or not, as evidence in support of your defence or claim for set-off or counter-claim you shall enter such documents in a list to be annexed to the written statement.

Take notice that, in default of your appearance on the day before mentioned, the suit will be heard and determined in your absence

Given under my hand and the seal of the Court, this 12th day of July, 2022.

**Sd/- Kimneingah Kipgen**
**i/c Civil Judge, Jr. Divn. Imphal East.**
HL-P/3406/13,14